# লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা পি এম মোদিনা রোদ সো শরুক য়াদনবা খঙহল্লকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী):
মাওইষ্ট অমসুং পাকিস্তান্না শৌগৎপা টেরর গ্রুপশিংনা কিহল্লকখিবা য়েংলগা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎহনখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না হোম মিনিষ্ট্রিনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট লৈঙাকশিংদসু প্রাইম মিনিষ্টরনা লাকপা মতমদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

সিক্যুরিটিগী অনৌবা গাইদ লাইনশিং ঙাক্লা চৎননবসু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা খঙহনখ্রে। মদুতা নত্তনা মিনিষ্টর অমসুং সিনিয়র ওফিসরশিংনা সিক্যুরিটি ক্লিয়ারেন্স ফংদ্রিবা ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মনাক্তা নকশিনবা য়ারোই হায়রি।

হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী চেকশিন থৌরাং হেন্না কনখৎহন্নবা খঙহনখিবসু লৈখ্রে। জুন থাদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর ঙাক শেনবগী থৌশিল হেন্না ফগৎহন্নবা খঙহনখিবনি। হোম মিনিষ্টরনা মোদিগী সিক্যুরিটিগী ওইরিবা ফীভম য়েংশিন্নবা কন্মিটি অমসু শেমখ্রে।

জেদ প্লস সিক্যুরিটিনা মরোল কয়া থোক্লা ঙাক শেল্লিবা থৌশিল অদুবুসু য়েংশিনগনি হায়রি। অদুগুম্বা মীফম অদুদা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোভল, য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি রাজিব গৌবা, ইন্টেলিজেন্স ব্যুরোগী দিরেক্টর রজিব জেন অমসুং লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিং শরুক য়াখি হায়রি।

রাজনাথ সিংহগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লুচিংবা অদুনা হায়, মাওইষ্টনা প্রাইম মিনিষ্টর হাৎকনি হায়না কিহল্লকপগী ৱাফম ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। ইন্টিলিজেন্সনা পীরকখিবা পাউ অদুগী মতুংইন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ঙাক শেনবগী মওং য়েংশিনগদবনি হায়খি।

পুনে পুলিসকী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) না পাউমী গৌরি লঙ্কেস মীহাৎ থিগৎপগী থবক চথুরি। মীহাৎ অদুদা চেন্নৈ চিংনবগা লোয়ননা ফারবা মীওইশিংদগী মরী লৈনবা চে-চাং কয়াসু ফংবা ঙমখ্রে। হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা টার্গেট তৌরক্লি হায়রি।

চৎলিবা থা অসিগী ৭ তা দিল্লিদা লৈবা রোনা ৱিলসন কৌবা মীওই অমগী য়ুমদগী চেরোল অমা ফংবা ঙমখ্রে হায়না এস আই টিনা লোকেল কোর্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে। রোনা ৱিলসন হায়রিবা মীওই অদু মাওইষ্টশিংগা মরী লৈনৈ হায়বগী মরালদা চৎলিবা থা অসিগী ৬ তা ফাগৎখিবনি। লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু রাজিব গান্ধী হাৎখিবগী মওংদা লোনা থিংখ্রবা লুপ অদুনা থৌরাং তৌথি হায়বসু খঙবা ঙমখিবনি হায়রি।

মাওইষ্টশিংগী চেরোল অদুদা মীখলগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রোদ সোদা শরুক য়াবা মতমদা টার্গেট তৌননবা থৌরাং তৌরি হায়বসু খঙবা ঙল্লে হায়রি। ফীভম অদু য়েংলগা হোম মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টরবু রোদ সোদা শরুক য়াবগী চাং হন্থহন্নবা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

# পাসপোর্ট রিভোল্যুসন পুরক্লবগী পান্দমদা সুস্মা স্বরাজনা পাসপোর্ট সেবা এপ হাংদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী):
এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা পাসপোর্ট পীবদা অওনবা অমা পুরক্লবগীদমক পাসপোর্ট সেবা এপ হাংদোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাসপোর্ট সেবা দিবসকা মরী লৈননা সুস্মা স্বরাজনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা পাসপোর্ট সেবা কেন্দ্র অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসকী ওফিসলশিংদা ৱা ঙাঙখি। লুচিংবী অদুনা সিমলেস এপ্লিকেসন অমসুং পাসপোর্ট ইস্যু তৌবগী মতাংদা হায়, অনৌবা স্কিম অনী অদুনা ইন্দিয়াগী মফম অমদগী হেক্তমক পাসপোর্ট এপ্লিকেসন থারকপা য়াগনি। মোবাইল ফোনগী খুথাংদা পাসপোর্ট এপ্লিকেসন ফোর্ম মেনশিনবসু য়ারগনি। অদুগুম্বা এপ অদুনা পাসপোর্ট ফংননবা হোৎনবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। পাসপোর্ট সেবা এপ অদুবু পাসপোর্ট রিভোল্যুসন অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

হজ চৎকদবা মীওইশিং অমদি মপান লৈবাক্তা চৎকদবা লৈবাক অসিগী মীওইশিংনা হাংদোক্লিবা এপ্লিকেসন অদুগী খুথাংদা পাসপোর্ট অমসুং ভিসাগীদমক এপ্লায় তৌরকপা য়াগনি। মপান লৈবাক মরুওইনা হজ লাই খুরুম্ফম চৎকদবা মীওইশিংদা পাসপোর্ট অমসুং ভিসা পীবগী তঙাইফদবা লৈ।

লুচিংবী অদুনা মখা তানা হায়, অৱাং নোংপোক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংদোকখিবা অনৌবা পাসপোর্ট সেন্টরশিং হৌজিক মথৌ তৌবা হৌরে। হান্নদি অৱাং নোংপোক্কী ওইনা গুৱাহাতি খক্তদা সেন্টর অদু হাংলম্বনি। হৌজিক অৱাং নোংপোক্কী তোঙান তোঙানবা অমসুং অসামগা য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংগা পাসপোর্ট লৌননবা হোৎনবগী চাং হেনগৎলক্লি। পাসপোর্ট সেন্টর ২৫১ ফেজ অনী থোক্লা হাংদোক্লবা লাউথোকখ্রবনি। লৈবাক অসিগী ওইনা হৌজিক পাসপোর্ট সেন্টর ২১২ লৈরিবনি। মদুগী মথক্তা হায়রিবা পাসপোর্ট রেজিষ্ট্রেসন সেন্টরশিং অদু হাংদোক্কদবনি। অহুমশুবা ফেজদা অতোপ্পা পাসপোর্ট সেন্টর ৩৮ সু হাংদোক্লবা পান্দম থল্লি। অনীশুবা ফেজদা হাংদোকখ্রবা পাসপোর্ট সেন্টরশিং মথৌ তৌবা হৌখ্রবা মতুং অহুমশুবা ফেজগী ওইনা পাসপোর্ট সেন্টরশিং হাংদোক্কদবনি হায়রি।

লোক সভা কনষ্টিট্যুএন্সিশিংদসু পাসপোর্ট সেন্টরশিং হাংদোক্লবগী থৌরাং লৈরে। হৌজিকমক্কী ওইনা পুন্না পাসপোর্ট সেন্টর ২৬০ মথৌ তৌরি। ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রি অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসকী ওইবা মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীফমদা লুচিংবী সুস্মা স্বরাজনা মখা তানা পাসপোর্ট সেন্টরশিং হাংদোকপদা মতেং পাংবীনবসু ফোঙদোকখি। পাসপোর্ট সেবা এপ হাংদোকপা অদুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্মা লায়না পাসপোর্ট ফংবা য়াহল্লগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্ট্রিনা অনৌবা পাসপোর্ট সেন্টরশিং হাংদোক্কদবা মফমশিংসু লেপথোক্লগনি হায়রি।

# ইমার্জেন্সি থমজিনখিবগী ৪৩ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে, কোংগ্রেসতা অকনবা মরাল শিখ্রে



পনাজি, জুন ২৬ (এজেন্সী):
কুমজা ১৯৭৫ তা ইমার্জেন্সি থমজিনখিবা অদু ইন্দিয়ন দিমোক্রেসিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী মম্বা তাঙ্কক অমনি হায়না গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকরনা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতম কুমজা ১৯৭৫ কী জুন ২৬ তা লৈবাক শিনবা থুংনা ইমার্জেন্সি লাউথোকখি। অদুগুম্বা নুমীৎ অদু ঙসি নীংশিংলি। ৪৩ শুবা ইমার্জেন্সি থমজিনখিবগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মনোহর পরিকরনা মখা তানা হায়, মতম অদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক অদু মীওৎ-মীনৈগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবশিংগী মায়োক্তা লৈবা অমনি। ইন্দিয়ন দিমোক্রেসিদা খ্বাইদগী মম্বা তাঙ্কক অমা ইন্দিরা গান্ধীনা ইমার্জেন্সি থমজিন্দুনা ওইহনখিবনি। ইমার্জেন্সি থমজিন্দুনা মীচমশিংগী মনিং তম্বগী হক মৎপীখি। কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মায়োক্তা অমদি মীওৎ-মীনৈগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবা মতম অদুগী থৌনা ফরবা মীওইশিং অদুবু ঈকায় খুম্নবা উৎলি। লৈবাক শিনবা থুংনা ইমার্জেন্সি থমজিনখিবগী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাউরকপদগী মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা কুমজা ১৯৭৭ তা ইমার্জেন্সি লৌথোকখিবনি। ঙসিদি বি জে পি লাক্লে। মীয়ামগী য়াইফল্নবগীদমক লৈবাক শিনবা থুংনা থৌশিল কয়া পায়খৎলি। লোয়ননা কুমজা ১৯৭৫ তা ইমার্জেন্সি থমজিনখিবা অদুবুসু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, মরন্নাই খক্তমক খনবা মীওই খরনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু জেলদা থম্বগা মান্নহনখি। অদুগুম্বা নুমীৎশিং অদুবু নীংশিংদুনা লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসন অমসুং দিমোক্রেসি ঙাক শেন্ননবা ঐখোয়না কখোল্লুসি হায়খি।

# মুম্বাই এন্টি প্লাষ্টিক স্কৱাদনা মেক দোনালস, ষ্টারবক্স ফাইন থিহনখ্রে

মুম্বাই, জুন ২৬ (এজেন্সী):
বগর কিং, মেক দোনালস অমসুং ষ্টারবক্স মুম্বাই এন্টি প্লাষ্টিক স্কৱাদকী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবগীদমক ফাইন থিহনখ্রে।

ইন্দিয়াগী কম্মর্সিএল কেপিটেল ওইরিবা মুম্বাইদা অমুকখক্তমক শীজিন্নগদবা প্লাষ্টিক থিংবগী অনৌবা লো অদু থুগায়বগীদমক হায়রিবা দুকানশিং অদু ফাইন থিহনখিবনি হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মুম্বাইদা হৌখিবা থাংজ নুমীৎতগী প্লাষ্টিক থিংবগী লো অদু অথিংবা থমখ্রবনি। অমুকখক্তমক শীজিন্নগদবা দিস্পোজেবল প্লাষ্টিক আইটেম মরুওইনা খাও, কপ অমসুং বট্টলশিং শীজিন্নবা য়ারোই হায়না লাউথোকখ্রবনি। অহানবা ওইনা লো থুগায়রকপদা লুপা লিশিং ৫ ফাইন থিহনগনি। হন্না হন্না লো থুগায়রক্লবদি লুপা লিশিং ২৫ ফাওবা ফাইন তৌবা নৎত্রগা থা ৩ জেলদা থম্বা য়াই হায়রি।

মুম্বাই এন্টি প্লাষ্টিক স্কৱাদকী হিগোক মচুগী য়ুনিফোর্ম শেৎপা ওফিসল ২৫০ না মথৌ তৌবা হৌখিবগা লোয়ননা মুম্বাইগী তোঙান তোঙানবা রেষ্টুরেন্ট অমসুং দুকানশিংদা য়েংশিনখি। মীওই মিলিয়ন ২০ রোম লৈবা মুম্বাই সিটিদা এন্টি প্লাষ্টিক স্কৱাদনা অকনবা মীৎয়েং চঙলি হায়রি।

দেপ্যুটি ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নার নিধি চৌধরিনা প্লাষ্টিক থিংবগী চৎন-কাঙলোন অদু চৎনহন্নবগী মরুওইবা থৌদাং লৌরি। হৌখিবা নুমীৎ হুম্নী অসিদা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং অদু শীজিন্নরম্বা দুকান, রেষ্টুরেন্টশিংদগী ফাইন ওইনা লুপা ৬,৬০,০০০ খোমগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

বগর কিং, মেক দোনালস অমসুং ষ্টারবক্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইষ্টাব্লিসমেন্ট ১৩২ দা চৎন-কাঙলোন থুগায়রম্বগীদমক ফাইন থিহনখ্রে। মদুতা নত্তনা গোদ্রেজ নেচর বাস্কেটকী ব্রাঞ্চ অমসু ফাইন থিহনখ্রে হায়না চৌধরিনা ফোঙদোরক্লি।

# নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক ঔরঙ্গজেব লৈঙাক্কা মান্নরে, মীয়াম অকিবা পোক্লরে : কোংগ্রেস



ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ১৯৭৫ তা ইমার্জেন্সি থমজিনখিবগী মতাংদা কোংগ্রেস অমসুং গান্ধী ইমুং-মনুংদা অকনবা মরাল শিখ্রবা মতুং কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ঔরঙ্গজেব নিংথৌগা মান্নরে। মহাক্কী মতম অদু পুৱারীদা খ্বাইদগী খুদোংথিবা মতম অমনি হায়না পুৱারী নৈনবশিংনা ফোঙদোক্লি।

মতম অদুদা মীয়াম্না মুগোল নিংথৌরেল অদুবু অকিবা ফাওখিবা অদুগুম্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক অসিবুসু মীয়াম্না হৌজিক অকিবা ফাওরে। লোয়ননা বি জে পি লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈবা পার্টি অমনি হায়না শিংথানরিবনি।

কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোয় রন্দিপ সুর্যেৱালানা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মখা তানা হায়, ঔরঙ্গজেবকী লৈঙাক্কা মান্নরবা মতম অসিদা মীয়াম্বু হকথেংননা হাৎপগী মহুৎ কাঙলুপ জাৎ অমদি চীঙ্গাক্তা অথিংবা কয়া থল্লি। যন ককপনি হায়না মীওই কয়াদা এটেক চথুরি। ঔরঙ্গজেবনা কনাগুম্বা অমত্তদগী পরা তমশিনখিদে। হৌজিক ঔরঙ্গজেবকা মান্নরবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা করিগীদমক ইমার্জেন্সিবু নীংশিংলিবনো। তশেংবমক্তি মোদিনা পুৱারীবু লান্না লমজিংন্নবা অমদি অচুম্বশিং লোৎশিন্দুনা থম্নবা হোৎনবনি। মহাক মশামকসু হয়েংগী পুৱারী ওইরক্কদৌরিবনি হায়বদু নীংশিংদ্রে হায়খি।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা অহমেদ পটেলনা হায়, হৌখিবা চহী ৪ অসি লাউথোক্তবা ইমার্জেন্সি অমা থম্বগা মান্নরে। হিরম অদুগী মতাংদা বি জে পিনা মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়খি।

# জম্মু অমসুং কাশ্মির ইন্দিয়াগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি

ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী):
য়ু এন জেনরেল এসেমব্লীদা ইন্দিয়ানা জম্মু অমসুং কাশ্মির অসি লৈবাক অসিগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি। পুৱারী য়াওদবা ৱাফম অমনা অচুম্বা অদু হোংহনবা ঙল্লোই হায়না ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্তানগী ইনভোই মালিহা লোধিনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ফোঙদোকখিবা অকনবা ৱাফম অমগী পাউখুমদা ঙসি ইন্দিয়ানা ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবনি। লোধিনা কাশ্মিরদা ক্রাইম কয়া চথুরি। মীওই কয়া হাৎলি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি। পাকিস্তানগী ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা উৎতুনা য়ু এনগী পার্মিনেন্ট মিসন সন্দিপ কুমার বয়াপুরনা হায়, পাকিস্তান্না ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদুগী চপ চাবা পাউখুম ইন্দিয়ানা পীবা য়াবগী হক লৈ। পাকিস্তান্না কাশ্মিরগী ইস্যু অদু য়ু এনদা পুখৎনবা হোৎনদুনতা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক হৌখিবা মতম কয়া অসিদা মায় পাকপা ঙল্লকখিদবনি। য়ু এনসু হিরম অদুগী মতাংদা পাকিস্তানগী ৱাফম অদু তাবা লৈত্রি। হায়নিংলিবদি জম্মু অমসুং কাশ্মির হায়রিবা ষ্টেট অসি ইন্দিয়াগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা অমদি খায়দোকপা য়াররোইদবা শরুক অমনি। পাকিস্তান্না পুথোক্লিবা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম অদুনা অচুম্বা ৱাফম অদু হোংহনবা ঙল্লোই হায়খি।

পাকিস্তান্না ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরিবা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী মতাংদা অরানবা ৱাফম কয়া য়ু এনগী প্লেটফোর্মদা পুখৎনবা হোৎনরি। মদু মায় পাক্লোইদবা অমনি। লোয়ননা য়ু এনগী প্লেটফোর্ম অদুবু লান্না লমজিংনবা হোৎনবা থৌশিল অমনি হায়খি।

জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা পাকিস্তান্না শৌগৎপা টেররিষ্টশিংনা মীচম অমসুং লান্মী কয়াদা এটেক চথুরি। মদুনা মরম ওইরগা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লি। জম্মু অমসুং কাশ্মির ইন্দিয়াগী শরুক অমনি হায়বসি পুৱারীনা তাক্লিবনি। য়ুম্ফম য়াওদবা অমদি শেমজিন শাজিনবা ৱাহৈশিংনা য়ু এনগী প্লেটফোর্ম অসিবু লান্না লমজিংলোইদবনি হায়খি।

HL-P/1726/27

# মীখল মমাঙদা রাম মন্দির শাগনি : অদিত্যনাথ

লক্ষনৌ, জুন ২৬ (এজেন্সী):
কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল মমাঙদা রাম মন্দির শাবা হৌগনি হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর জোগি অদিত্যনাথনা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্টসমলেন মীফমদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা লৈবাক অসিগী দিমোক্রেসিদা থাজবা থমগদবনি। লোয়ননা খাংবা কন্নগদবনি। রাম মন্দির লোক সভা মীখল মমাঙদা শোয়দনা শাবা হৌগনি হায়খি।

বি জে পিগী লুচিংবা অমসুং হান্নগী এম পি রাম বিলাস বেদান্তিনা মুগোল নিংথৌরেল বাবরনা রামগী লাইশঙ থুগায়খিবা অদু কোর্টকী য়াথং অমত্তা য়াওখিদে। কুমজা ১৯৯২ দা বাব্রি মসজিদ থুগায়খিবা অদু কোর্টকী য়াথংনা নত্তে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা অদিত্যনাথনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।

SAINIK SCHOOL IMPHAL
SECOND LIST FOR ADMISSION OF CANDIDATES
ENTRANCE EXAMINATION HELD ON 07 JAN 2018 FOR CLASS VI

The Second List for Admission of candidates qualified in Written examination, Interview & Medical, for admission into Class VI in Sainik School Imphal for the Academic Session 2018-19 is given below: -

Scheduled Caste : 66701030068, 66701030339 (Two only)
Scheduled Tribe : 66701040263 (One only)
Home General : 66701010383, 66701010196, 66701010398, 66701010255, 66701010093, 66701010038, 66701010129, 66701010399 (Eight only)
Other General : 66701010032 (One only)

Notes:
1. Admission call letters can be collected from the school between **0900h** and **1200h** with effect from **28 June 2018.**
2. Parents are to submit the admission documents complete in all respects along with requisite fee amount from **29 June 2018** onwards.
3. All admission procedures are to be completed latest by **16 July 2018 (Monday)**.

*Sd/- Principal, Sainik School Imphal*

HL-P/3371/21/6-20/7

MATHEMATIC (WIZARD) COMPETITION 2018
Orgd. by: EDUCITY
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, IMPHAL WEST

Last Date of Form Submission – 16th July, 2018
Subject: Mathematic only (100 marks MCQ)

Submission Fees Rs. 300/-
Timing : 11:00 am to 1:00 pm
Class: I to X (Class Wise)

Prize:
1st Position – Rs. 7000 x 10 + Certificate
2nd Position – Rs. 5000 x 10 + Certificate
3rd Position – Rs. 3000 x 10 + Certificate
4th to 10th Position – Special Package

Date of Examination: 22nd July, 2018 (Sunday)

* Special Prizes
1. Best Student will be announced as "Mathematical Wizard of the Year" (which secured 100 or 99 marks) with a prize of Rs. 3000 and Mementos
2. Best School to the School of the Best Students (Rs. 3000/– + Mementos)

* Forms are available at all the leading book stores and schools of Manipur.
Please Contact: 9612194500 / 8794386523

FOOD CORPORATION OF INDIA
REGIONAL OFFICE MANIPUR
Old Assembly Complex
Imphal – 795001, Manipur

No. Cont./RTC/NIT/RO-MAN/2018 Dated:- 26-06-2018

**E-TENDER NOTICE**

For and on behalf of Food Corporation of India, the Dy. General Manager(Region) FCI Manipur Region invites ONLINE Tenders under "Two Bid System" from parties having business competency for appointment of Road Transport Contractor for transportation of foodgrains by road from FSD Senapati, Manipur to FSD Sangaiprou, Manipur for a period of 6(six) months extendable by 3(three) months. The details of the tender is as below:-

| SL No | Tender ID No. | From - To | Estimated Contract Value (E.C.V) | Earnest Money @ 2% of ECV | Security Deposit (Rs.) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2018_FCI_353194_1 | FSD Senapati to FSD Sangaiprou | Rs. 18,67,000/- | Rs. 37,340/- | (i) 5% of Actual Contract Value *(ii) B.G. of 15% of Actual Contract Value *(iii) B.G of 10% of Actual Contract Value for inexperienced tenderers only. |

Note:- * The BG amount may be deposited in the form of BG or in the form the Cash deposit whichever is faster.


Tenders can be submitted online from **27-06-2018** at **09:00 AM** up to **12:00 PM** of **02-07-2018** and will be opened at **01:00 PM** on **03-07-2018**. Tender documents can be downloaded from Central Public Procurement Portal https://eprocure.gov.in/eprocure/app. Bidders are advised to download and go through the Notice Inviting Tender and MTF uploaded in the website for detail information.

The Dy. General Manager (Region), FCI RO Manipur reserves the right to reject any / or all tenders without assigning any reason and does not bind himself to accept the lowest or any tender.

Sd/-
Dy. General Manager(R)

HL-B/4721/27

TREATED SUCCESSFULLY
মায় পাক্লা লায়েংজরি



PH. ALAM

PILES : খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নান্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

GASTRIC : চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

STONE CASE : পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।

ASTHMA AND COUGH: শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌ মনুংদা কঙশিল্লগা লোক খুবা, থবাক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর মপুংফানা হোনবা ঙমদবা অসিনচিংবা।

SINUS : নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

LIVER, JAUNDICE, SUGAR : লিভর জোন্দিস অমসুং সুগর প্রোব্লেম্ন চিংবা লায়েংজরি।

BODY PAIN (PARALYSIS) : খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।

1. NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG
2. KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.(WEDNESDAY & THURSDAY) OPEN

MOBILE NO.: 8787579776 / 8259968220

HL-P/1693/21/6-19/7(Alt.

NEW BATCH
PRUDENCE COACHING
NOW IN IMPHAL
Dedicated To Excellence
LIVE VIDEO CLASSES WITH LIVE CONVERSATION
BY THE TOP FACULTY OF DELHI, MUKHERJEE NAGAR
*Under The Guidance of RAKESH YADAV SIR*
REGISTRATION STARTS
NEW BATCH FROM 27TH JUNE FOR
SSC CGL, SSC, CPO (07:00 AM - 11:00 AM.)
BANKING (IBPS-SBI, PO, CLERK, SPECIALIST OFFICER) (11:00 AM. - 2:00 PM.)
SSC JE, STATE SO/AE (4:00 PM. - 7:00 PM.)

Special Facilities
- FREE OFFLINE & ONLINE MOCK TEST
- BEST STUDY MATERIALS
- DISCUSSION SESSION EVERY SUNDAY
- SPECIAL GUIDANCE BY TOP INDIAN FACULTY

*It is a great Opportunity for all aspirants to avail the privilege of Joining classes by the Top Indian Faculty at your Hometown. Please come and feel the difference.*

Keishampat Leimajam Leikai Near Kangla - Pao
Inquiry: 9612708955/7005610027/7903997053

HL-P/1658/18-27June